## এদিটোরিয়েল

# লান্নংলবা মীয়াম ডেমোক্রেশিনা তম্নরাই ওল্লকপা

ঙসিগী মতম অসিদা ইন্দিয়ানশিংনা ডেমোক্রেশি হায়রিবা লৈঙাক্লোন মখল অসিবু নৈনরুবগী থোইদোক্লা মথৌ তাদে। মরমদি লৈবাক অসি মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী চাউনা ডেমোক্রেশি চৎনবা লৈবক অমনি। অদুম ওইনমক, ইজ্জৎ লৈরবা ইন্দিয়ান ডেমোক্রেশিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী মফমদা মশানা মশাবু মখোয়গী মীহুৎশিংগী খুত্থাংদা লৈঙাকচবগী ফংফম থোক্লবা কান্নবশিং অদু মপুং ফানা ফংহনবা ঙম্লিবরা হায়বসিদি ঙসি ফাওবদা কনানশু ময়েক শেংনা পাউখুম পীবা ঙমদ্রিবা অচৌবা ৱাহং অমা ওইদুনা লৈরি। মালেমগী চাওখৎ-লমজেলদা মাঙজীল থানা খূমাঙ চাওশিল্লক্লিবা লৈবাকশিংগী মনুং চনবা ঙম্লে হায়না মখৌ পোঙলিবা মেইনষ্ট্রিম ওইবা ইন্দিয়ান খুন্নাই অমসুং বোদি পোলিটিনা শোত্থহৌরবা মীওই কাঙলুপশিংবু অমত্তা ওইবা ফূরুপকি ঈচেল অমদা তাউথহনবা ঙমদ্রি। ৱাফম অসিগী ময়েক লারবা খুদম অদু ঐখোয়না লৈবাক অসিগী অৱাং-নোংপোক লমদমদা হৌরিবা, মেইনলেন্দ ইন্দিয়াদগী তোখাই তানীংবগী ঈহৌ অসিদা নত্তনা ময়ায়লমগী ষ্টেট কয়াদা-- পার্লিয়ামেন্টরি ডেমোক্রেশিগী লৈঙাক-মওং অসিবু থুপচিন্দুনা সেন্টরদা লেফটিষ্ট লৈঙাক্কি উচল অমা থম্নবা হোৎনরিবা নেক্সলাইটশিংগী লোইবা খল্বা নাইদ্রবা ঈহৌশিং অসিদা ময়েক শেংনা উবা ফংলি। চুম্মি, রিপব্লিক ওইখিবা শুপ্নগী চহী ৬৫ খক্তমক মঙায়রিবা লৈবাক অসিগী ডেমোক্রেটিক ফোর্ম ওফ গভর্নমেন্টনা অশুক তেনখ্রবা মতম অসিদা চহীচা কয়া মাঙজীল থাখ্রবা ৱেষ্টর্ন ডেমোক্রেসিশিংগী মতৌগুম্না খুন্নাইগী কয়াৎ পুম্নমকপু কোনশিনবা, থোং মান্নবা ইনক্লুশিভ দিভলপমেন্টকি পান্দম অমা ফংবা ঙল্বা হায়বসিদি ওইথোক্তবনি। মরমদি, ডেমোক্রেশিগী চৎনরেল অসি অপুনবা খুন্নাইগী ওইবা অৱাংবা থাক্কি শোসিয়েল কন্সিয়শনেস অমা লৈরবা মতম অদুখক্তদা মপুঙ ফানা মহয় য়ান্দুনা লৈবাক্কি অশেংবা মপু ওইরিবা মীয়ামগী পুন্সিবুশু খেন্নবা লৈত্রবা পুন্সি মরেল অমদা হিংহনবা ঙমগনি। অসিগুম্বা মখলগী কন্সিয়শনেস অসি ইন্দিয়ান পোলিটিক্সতা লৈত্রি, মদুগী মহুৎতা লৈবাক অসিগী লৈঙাক্লোল অসি নিও-লিবরেল ওইবা কেপিটেলিষ্ট ইকোনোমি অমগী ঈরৈদা ঈরাক্লদুনা ৱাখল মপুঙ ফাদ্রিবা শক্তি পায়বা মীওইশিং অমসুং শেঞ্জাউ পায়বা কোর্পোরেট মোনোপোলিষ্ট খুজোক খরগী খুবামনুংদগী নাহোকপা ঙমদনা লৈরি।

লাইবক থীবা থৌওং অসি লীশাং শীৎনা চত্থগনি হায়নদি থাজবা ঙমদে। প্রোগ্রেশিভ ওইবা খুন্নাইগী শাফূ কয়ানা ইনি দয়াগী অসিগুম্্না তায়োন্নবা ডেমোক্রেশিগী শক্তম অসিবু চুমথোক্লবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। জুদিশিয়ারিগী পান্বৈনা লৈবাক অসিগী শেঞ্জা-থুমজানা লাকহৎলবা ডেমোক্রেশি অসিবু অচুম্বা ময়কৈ অমদা তপ্না তপ্না পুশিনবা হৌরক্লি। লাইবক থীবদি-- অসিগুম্বা লুরবা লৈঙাক্লোলগী তাঙ্কক অসিদা মশাগী অশেংবা ফিরেপ অমা লেপচবা ঙমদ্রিবা ষ্টেট অমসুং নুংবোম্নরবা নন-ষ্টেট এক্টর অনিনা শান্নরকপা খুৎ থোক্লবগী লোইবা খল্বা নাইদ্রবা লিলা অমদা মরাল লৈজদ্রবা মীয়ামবু বলিগী হামেংগুম্না হেক হক খুদোংথীবা নংহল্লকপা অসিনি। শাজিন্নবশু ওইসনু নত্রগা শাজিন্নদবা অশেংবা লালহৌলুপশিংসু ওইনু--- শেহৌ-বোম, মীফা-মীপুন নত্রগা সিফাই হাৎপনচিংবা চপ মান্ননা মরৌ লৈরবা লল্লোং কয়া শীজিন্নরিবা ষ্টেট এক্টরশিংগা খুৎলঙ-লমন শিংনরকপদা খ্বাইদগী হেন্না তমথিবা মওংদা লান্নংলিবা অসি মপুন্সিদা খুদোংথীবতনা লাঙ্গোই চন্দুনা হিংনরিবা মীয়াম অমসুং নুপি-অঙাংশিংনি। ৱাফম অসি ঙসিদি ভিক্তিমশিংগী ইমুং-মনুং অমসুং মণিপুরগী মীওইবগী হক ঙাক-শেল্লিবা লূপশিংনা ইন্দিয়াগী শু থোংবা কোর্ট অসিগী মায়কৈদগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংবু হ্যুমেন রাইটশিংগী পড়া তঙ্গিনবা খঙহনখিবা লৈরবনি। অমরোমদা, সিভিল সোশাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগী মায়কৈদগীসু ষ্টেট অমসুং নন-ষ্টেট এক্ট অনিমক্কি মফমদা জেনেভা কনভেন্সন্নচিংবা ইন্টরনেসনেল হ্যুমেনিটেরিয়ান লোশিংবু ঙাক্লা চৎনবা আপিল তৌনরি। অসিগুম্বা আপিল অসি মরী লৈনবা খুদীংমক্লা ঙাক্লা চৎত্রবদি মীয়াম্না মীয়ামগীদমক্তা লিংলিবা ডেমোক্রেশিগী লৈঙাক্লোল অসিবু মচেৎ মচেৎ কয়া থোক্লা কায়হল্লকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈতবা নত্তে।

Naharolgithoudang